# মিজোরাম অমসুং অসাম ঙমখৈগী মতাংদা অহুম্লকশুবা রাউন্দগী ৱারী থা অসিগী ১৭ তা শান্নরগনি



আইজোল, নভেম্বর ১২ (এজেন্সি):
মিজোরাম অমসুং অসাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা মতম কয়াগী মমাংদগী ঙখৈগা মরী লৈননা চয়েৎনবা কয়া থোক্তুনা লাকখিবা অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক ষ্টেট অনীগী মরক্তা চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা অনীরকশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নখ্রবা মতুং অহুম্লকশুবা রাউন্দগী ৱারী শাবা হৌরগনি হায়রি।

মিজোরামগী এদিস্নেল হোম সেক্রেটরি লালরিয়াতপুইনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ১৭ তা ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা অহুম্লকশুবা রাউন্দগী ৱারী শানবা মতম লেপখ্রে। গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদবা ৱারী শাবগী থবক্তা শরুক য়াগদৌরিবা মিজোরাম দেলিগেসন টিম অসি ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর লালচমলিয়ানানা লুচিংগনি অমদি টিম অসিদা লেন্দ রেভিন্যু এন্দ সেটলমেন্ট মিনিষ্টরসু শরুক য়াগনি। টিম অসিদা মিজোরামগী হোম কম্মিস্নর এন্দ সেক্রেটরি ঐচ লালেঙমাৱি অমদি হোম দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অনীসু য়াওরি।

অহুমশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নবগী মতম অসি থা অসিগী ৪ দা লেপ্পল্লবনি অদুবু মিজোরামদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগী খোঙচৎ মতম লেপশিল্লকপগা মপা চানখিবদগী মতম খরা য়ৈথোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং থা অসিগী ৯-১১ ফাওবগী মনুংদা ৱারী মখা তানা শানবা অসাম গভর্নমেন্টতা হায়জখি। অদুবু অসাম গভর্নমেন্টনা ৱারী শাবগী মতম অসি থা অসিগী ১৭ তা অমুক য়ৈথোল্লককখিবনি হায়রি।

মিজোরাম অমদি অসাম ষ্টেট অনীগী মরক্তা কিলোমিটর ১৬৪.৬ শাংবা ঙমখৈগী শরুকশিং তাইননা লৈরি। হায়রিবা ঙমখৈগী শরুকশিং অসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা ওফিসল ওইনা দিমাক্রেসন তৌবা লৈতবনা মরম ওইরগা চয়েৎনবশিং থোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু ষ্টেট অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা কা হেন্না উংখৎনরকখিবা অসিদি হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগীনি। চহী অসিগী মার্চ থাদা মিজোরামগী মহৈরোয় লূপ অমনা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবাক জোফাই এরিয়াদা ৱাইটিং সেদ অমা শারুবগী মতাংদগী উংখৎনবা হেল্লকখিবনি হায়রি।

# এ পি পি এস সীগী ক্বেসন লীক ওইখিবগী থৌদোক খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি : সী এম



ইটানগর, নভেম্বর ১২ (এজেন্সি):
অরুনাচল প্রদেশ পব্লিক সর্বিস কম্মিসননা লৌবা এগজাম অমগী ক্বেসন লীক ওইরম্বগী থৌদোক অমা মমাং থাদা থোকখিবা অদু ষ্টেট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা অমদি ইকাইনিঙাই ওইবা থৌওং অমনি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কেস অসিদা চেন্নরম্বা মীওই খুদিংমক মরালগী চপ চাবা চৈরাক শোয়দনা পীগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী ৬ রোম অসিদা মহাক্না ষ্টেট অসিদা হান্না লৈরম্বা অশোয়বা কয়া শেমদোক্লবা অমদি করপসনগী থবক থৌওংশিং থিংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু লৈঙাক অসিনা কন্না হোৎনবদগী অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসি শোয়দনা উরবল্লগনি। অদুবু করপসন মায়োক য়ানবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লরি। অদুম ওইনমক করপসন তৌরম্বা মীওই অমত্তা লৈঙাক অসিনা লেম্না থারোই। লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক শোয়দনা পীগনি।

ক্বেসন লীক ওইরম্বগী থৌদোক অদু থিজিন্নবগীদমক শেমখিবা স্পেসল ইনবেষ্টিগেটিং কম্মিটিনা থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই ১০ ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক মখোয়গী মথক্তা ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চংথরি। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং অমদি মীয়াম্না ক্বেসন লীক ওইরম্বগী থৌওং অসি ষ্টেট পুলিসতা তৌহন্নিংদে অমদি সী বি আইদা কেস অসি শিন্নদুনা থিগৎহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মরম অদুনা কেস অসি সী বি আইদা শিন্ননবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌরে। সী বি আইগী টিম অমসু ষ্টেট অসিদা থুংলরে অমদি য়েংশিনবা হৌরে হায়রি।

# ৱেষ্ট গারো হিলসতা লৈবা য়ুম ১০০ রোমদা লমগী মপু ওইবগী অয়াবা গভর্নমেন্টনা পীখ্রে

শিল্লোং, নভেম্বর ১২ (এজেন্সি):
মেঘলায়াগী ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা ট্রাইবেল ইমুং ১০০ রোমদা মখোয়না হৌজিক হৌজিক ময়ুম শাদুনা লৈরিবা মফমশিং অদু মখোয় মশাগী ওইজবদা গভর্নমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগী মরী লৈননা মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা, ৱেষ্ট গারো হিলসকী রিজর্ব গিটিম ভিলেজদা হায়রিবা ট্রাইবেল ইমুংশিং অসি মতম শাংনা খুন্দাদুনা লাকখ্রে। মখোয়গী মায়কৈদগীসু চহী দিকেদ কয়াগী মমাংদগী মখোয়না লৈরিবা লম অদু মখোয় মশাগী ওইবদা অয়াবা পীনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু চহী কয়া মখোয়না মফম অদুদা খুন্দাদুনা লাকখিবা অমদি রিজর্ব ভিলেজকী শরুকশিংদা অমাঙ অতা থোকহনবা য়াবা থবক অমত্তা তৌরক্তবনা মরম ওইরগা ইমুং ১০০ রোম অদুদা মখোয়না লৈনরিবা লমশিং অদু মখোয় মশাগী ওইহনবদা অয়াবা পীনবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী মরিরোম অসিদা মহাক্কী লৈঙাক্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না ফংফম থোকপা রাইটশিং অদু ফংহন্নবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু হোৎনখিগনি। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিদা মশিং নম্না খুন্দারিবা ট্রাইবেলশিংনা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা পীদনবা অপিল তৌরক্লি।

# এন ঐচ এল এম এল অমসুং অরুনাচল গভর্নমেন্টকী মরক্তা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনখ্রে

ইটানগর, নভেম্বর ১২ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা পায়খৎলিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশ গভর্নমেন্টনা নেসনল হায়ৱে লোজিষ্টিক্স মেনেজমেন্ট লিমিটেদ (এন ঐচ এল এম এল) গী য়ান-চে অমা খুৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশগী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা ফোঙদোকখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা অদুদা য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে মিনিষ্টর নিতিন গদকারিসু শরুক য়াখি। ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা নেসনল প্রোজেক্টশিং মরুওইনা লম্বী পাকথোকপগী থবক চংথরিবা অমসুং নৌনা শেল্লিবা থবকশিং অসিগী মতাংদা কম্পনি অসিগা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা শেমজিন শাজিনবগী থবক্তা য়াম্না চেকশিন্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা খঙহনখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# ফন্দ থাদোরক্লবা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

অগরটালা, নভেম্বর ১২ (এজেন্সি):
ত্রিপারাদা লৈরিবা ব্রু ট্রাইবশিংগী তোঙান তোঙানবা এন জি ওশিং অমদি রিলিজিয়স ওর্গনাইজেসনশিংনা শৈদাংদুনা লৈরিবা ব্রুশিংগী থা ১০ রোম মরী লৈনবশিংনা পীথোক্তুনা লাক্লিবা খুদোংচাবশিং অথুবা মতমদা পীথোরক্লবা তকশিনখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে হায়রি।

ব্রু ওর্গনাইজেসনশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ব্রু ট্রাইবশিংনা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অমত্তা ফংলক্তবনা মরম ওইরগা মীরোল্লবী নুপী, অপীকপা অঙাং চেল্লিবা মমাশিং চাবা থকপা ফংদবগী ফীভমদা লাক্লে অমদি মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু স্কুলদা থাবা ঙম্লক্তবগী ফীভমদা লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা অথুবা মতমদা ব্রুশিংগী ওইনা কায়থোক্তুনা থমখ্রবা শেনফমশিং ব্রু ট্রাইবশিংদা য়ৌহন্নবা দিমান্দ তৌরি।

# সী পি আই-এমনা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংদগী শেনফমশিং খোমগৎলি

অগরটালা, নভেম্বর ১২ (এজেন্সি):
বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ত্রিপুরাদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম হান্নদগী হেন্না ফগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা ত্রিপুরানা লো এন্দ ওর্দগী ফিভম খ্বাইদগী হেন্না ফরি হায়না চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সী পি আই-এমনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ষ্টেট অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখি হায়না মরাল শিরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসনদা লৈরিবা সী পি আই-এমনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংদগী মখোয়গী পার্টি ফন্দ ওইনবা য়াল্লবা শেনফমশিং খোমগৎলি। সী পি আই-এমগী লুচিংবা মনিক সরকারনা ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা লৈঙাক্তুনা লাকখিবা মতম অদুদা ষ্টেট অসিদা মীশি মীনা অমদি পামদবা মখলগী থৌদোক কয়া থোকখি। মদুগী মথক্তা ষ্টেট অসিদা থবক ফংদবগী অচৌবা প্রোব্লেম কয়াসু ষ্টেট অসিগী নহাশিংনা মতম শাংনা মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। অদুবু ত্রিপুরাদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং হান্না ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না থেংনরম্বা খুদোংচাদবা কয়া কোকহনবা ঙমখ্রে অমদি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা প্রোজেক্ট কয়াসু মায় পাক্না পায়খৎপা ঙম্লে।

সী পি আই-এমনা লুচিংবা লৈঙাক অমনা ষ্টেট অসিদা লৈরিঙৈ মতমদা হুরান চিন্থি অমদি নুপী অঙাংদা ক্রাইম চংথবগী থৌদোক কয়া থোকখি। অদুবু হায়রিবশিং অদু হৌজিক্তি চাং য়াম্না হন্থখ্রে। অমদি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খোমগৎপগী থবকসু মপুং ফানা থিংবা ঙম্লে। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মীয়াম্না থাজবা থম্বদগী বি জে পিগী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলকখিবনি অমদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা অমুক হন্না চাওনা মায় পাক্কনি হায়রি।




মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা রাজকুমারী মীনানা ইবা *তৎখ্রবা লংলা* হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

## CROSSWORD-3699



**ACROSS**
1 Find by searching or examining (6)
4 Refuge (6)
8 Hooded snake (5)
9 Without assistance (7)
10 Extend (7)
11 Squeeze (5)
12 Heavy waterproof cover (9)
17 Early birds (5)
19 Showing no expression (7)
21 Discard (4,3)
22 Early part of life (5)
23 Cloth used with polish (6)
24 Go up (6)

**DOWN**
1 Destructive migratory insect(6)
2 Floor-show (7)
3 Distinguishing feature (5)
5 Surgical knife (7)
6 Gatehouse (5)
7 Unostentatious (6)
9 Previously unknown (7-2)
13 Give back (7)
14 Roman sea god (7)
15 Serene, unruffled (6)
16 Without shoes (6)
18 Takes a break (5)
19 Bottomless gulf (5)

**Solution 3698**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| J | E | S | T | | M | A | S | S | A | C | R | E |
| O | | P | | B | | B | | C | | H | | I |
| D | I | A | M | O | N | D | | O | D | O | U | R |
| H | | R | | T | | U | | R | | L | | E |
| P | L | E | A | T | | C | A | N | N | E | D | |
| U | | | | L | | T | | | | R | | F |
| R | I | C | H | E | R | | S | A | H | A | R | A |
| S | | R | | | | A | | D | | | | R |
| | G | A | N | D | E | R | | A | M | P | L | E |
| L | | V | | U | | C | | G | | I | | W |
| A | G | A | I | N | | A | V | E | R | A | G | E |
| V | | T | | E | | D | | S | | N | | L |
| A | S | S | I | S | T | E | D | | C | O | A | L |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-4098**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | | 1 | | 2 | | 7 | |
| | 7 | 6 | | | 8 | | | |
| 5 | | 2 | | | | 6 | | |
| | | | | | 1 | 5 | | |
| | 5 | | | | | | 9 | |
| | | 9 | 6 | | | | | |
| | | 4 | | | | 9 | | 8 |
| | | | 3 | | | 7 | 5 | |
| | 1 | | 8 | | 7 | | 3 | 2 |

**Solution-4097**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 2 | 5 | 3 | 7 | 9 | 6 | 1 | 8 |
| 9 | 3 | 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 7 | 5 |
| 7 | 6 | 1 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 | 3 |
| 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 8 | 7 | 3 | 1 |
| 8 | 4 | 7 | 9 | 3 | 1 | 5 | 6 | 2 |
| 3 | 1 | 2 | 7 | 5 | 6 | 9 | 8 | 4 |
| 2 | 5 | 9 | 6 | 1 | 3 | 8 | 4 | 7 |
| 6 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 1 | 5 | 9 |
| 1 | 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 3 | 2 | 6 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### IB RECRUITMENT 2022 FOR 1671 SECURITY ASSISTANT, MULTI-TASKING STAFF

Intelligence Bureau (IB) Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) Recruitment 2022
Advertisement for the post of Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) in the Intelligence Bureau (IB). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 25th November 2022. Candidates can check the latest Intelligence Bureau (IB) Recruitment 2022 Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS) Vacancy 2022 details and apply online at www.mha.gov.in/ recruitment 2022 page.
The Intelligence Bureau (IB) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.mha.gov.in/. Intelligence Bureau (IB) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Anywhere In India. More details of www.mha.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Security Assistant, Multi-Tasking Staff (MTS)
Corporate Location:
North Block, New Delhi, 110001 Delhi
Job Location: Anywhere In India.
Last Date: 25th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 1671 Posts
Educational Qualification:
(i) Matriculation (10th class pass) or equivalent from a recognized Board of Education, and
(ii) Possession of domicile certificate of that State against which candidate has applied.
(iii) Knowledge of any one of the local language/dialect mentionedin Table 'A' above against each SIB.
Pay Scale:
INR
18000-69100/- Per Month
Age Limit: MTS: 18-25 years. Security Assistant/Executive: Not exceeding 27 years as on 25.11.22.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee:
General, OBC, EWS Candidates Fee:- 450/-
SC, ST Candidates Fee:- 50/-
All Category Female Candidates Fee:- 50/-.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled out online / Offline. Please follow the link given below to apply (or visit the original job details page): https://www.mha.gov.in/ (Application Form Start: 05 November 2022)
Important Dates:
Published on: 27th October 2022
Last date for application is: 25th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### AMDER RECRUITMENT 2022 FOR 321 JTO, ASSISTANT SECURITY OFFICER, SECURITY GUARD

Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard Recruitment 2022
Advertisement for the post of Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard in the Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 17th November 2022. Candidates can check the latest Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Recruitment 2022 Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security GuardVacancy 2022 details and apply online at www.amd.gov.in/ recruitment 2022 page.
The Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.amd.gov.in/. Atomic Minerals Directorate for Exploration and Research (AMDER) selection will be done on the basis of tests/interviews and shortlisted candidates will be appointed to Anywhere In India. More details of www.amd.gov.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, results, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Junior Translation Officer (JTO), Assistant Security Officer (ASO), Security Guard
Corporate Location:
Begumpet, Hyderabad, 500016 Telangana
Job Location: Anywhere In India.
Last Date: 17th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 321 Posts
Educational Qualification:
Junior Translation Officer (JTO): Master Degree in Hindi / English with English / Hindi as a main subject at degree level. OR Master Degree in any subject with Hindi and English as main subjects at Degree. OR Master Degree in any Subject with Hindi / English medium and English / Hindi as a main subject at Degree level.
Assistant Security Officer (ASO): Candidates must have Graduation Degree or Equivalent qualification from a recognized University/ Institute.
Security Guard: Candidates should have 10th Pass from any recognized Board.
Pay Scale:
INR
18000-35400/- Per Month
Age Limit: 18-28 Years.
Selection Process: please refer to official notification.
Application Fee:
JTO & ASO Application Fee: Rs.200/-
Security Guard Application Fee: Rs.100/-
SC, ST Candidates Fee: Rs.0/-
Female, ESM, PwD Candidates Fee: Rs.0/-
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://www.amd.gov.in/, (From 29 October 2022) This Jo Source is Employment News 29 Oct - 4 Nov 2022, Page No.24.
Important Dates:
Published on: 27th October 2022

Last date for application is: 17th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

